# রসিয়া, য়ু এসকী মরী হেন্না ফীভম শোকচিল্লক্লি

## হিরম কয়াদা ৱাশিংটন্না মোস্কোদা প্রেসর কনখৎখ্রে



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৮ :

য়ু এসকী ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন্না রসিয়াদা প্রেসর পীরদুনা সিনিয়র রসিয়ন ওফিসলশিংবু লাক্লিবা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনদা খুৎ থিংজিন্নবগী পান্দমদা অমেরিকান পোলিটিকেল সাইটশিং হেকিং তৌই হায়না মরাল শীখ্রে লোয়ননা রসিয়াগী মিলিটরিনা সিরিয়াদা ৱার ক্রাইমশিং চৎখে হায়বগী ঈঙ্গিৎসু পীখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী মোস্কোবু মরাল কয়া শীখিবা অমসুং মোস্কোনা ৱাশিংটন্না শীরক্লিবা মরালশিং অদুবু খোয়রাং খোয়শাওননা য়াখিদবসিনা হান্নগী কোল্ড ৱারগী মতমগী য়েক্লবশিং অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদু অমুক্কা হেন্না ফীভম শোকচিল্লে হায়বা তাকই। ৱার অমসুং পিছকী মতাংদা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং লৈনবগা লোয়নননা লৈবাক অনী অসি কুমজা ১৯৯১ দা সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়খিবদগী অমুক হন্না উরকখিদ্রবা মওংদা অমগা অমগা অথোই-অহেন তান্নদুনা মুক্লবগী লম্বীদা চঙশিনবগুম উনরি।

চহী অসিগী অঙনবদা দেমোক্রেটিক নেসনেল কম্মিটি অমসুং দেমোক্রেটিক কোংগ্রেস্নেল কেম্পেইন কম্মিটিদা সাইবর এটেকশিং চৎখিৌদগী ইহান হানবা ওইনা মীয়ামদা ফোঙদোরকখিবা হেকিংগী এলিগেসনশিং অদু হেকিংগীদমক্তা রসিয়াদগী মরোল অমা লৌনবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা প্রেসর পীরক্লিঙৈ তাল্লক্তনি। হেকিং অদুনা ঈকায়নিংঙাই ওইবা মওংদা ইনটরনেল ঈ-মেলশিং সবাক ফাক্লা ফোঙদোকখি।

‘অসিগুম্বা থবকশিং অসিগী অরুবা মতৌশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রসিয়াগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসলশিংদনা অসিগুম্বা এক্টিভিটি অসি ওথোরাইজ তৌখিবা ওইরমগনি হায়না ঐখোয়না থাজে হায়না দিরেক্টর ওফ নেসনেল ইন্টেলিজেন্সকী ওফিসনা দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটিগা পুন্না থোকমিন্নবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, দিসিলিক্স অমসুং ৱিকিলিক্সকুম্বা ৱেবসাইটশিংদা ইমেলশিং হেক তৌখি হায়না হন্দক্তা ফোঙদোকখিবদু রসিয়ানা ওর্দর তৌকিবা মেথদশিং অমসুং মোটিভেসনশিংগা চানৈ। অমরামদা রসিয়াগী মায়কৈদগীদি হেকিং অদুদা মখোয় চেন্নখিবা লৈতে হায়রি।

অসুম্না হুরান লান্না তৌবা অমসুং মীয়ামদা ফোঙদোক্লিবসি য়ু এসকী ইলেক্সনগী প্রোসেসতা খুৎ থিংজিনবা য়ানবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। ‘অসিগুম্বা এক্টিভিটি অসি মোস্কোদদি অনৌবা অমা নত্তে। রসিয়নশিংনা য়ুরোপ অমসুং য়ুরেসিয়াদা মান্নবা টেক্নিকশিং অমসুং টেক্টিক্স শিজিন্নদুনা মফমশিং অসিগী পব্লিক ওপিনিয়নদা ঈথিল পীনবা হোৎনবা লৈখ্রে।

অসুম্না তৌবসিদা মোস্কোগী মথক্তা অথিংবা কয়া থল্লক্লদ্রা হায়না হংবদা হ্বাইট হাউসনা চপ চানা পাউখুম পীখিদে। সিনিয়র ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, য়ু এসনা খনবা মতম অমসুং মফমদা রসিয়াগী মায়োক্তা রেস্পোন্দ তৌগনি, তৌইগুম্বসুং খুৎ হনবগী মওং খুদিংমক ইফোং ফোংনা চৎথরোই।

# য়েমেনগী রেবেলশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা মিসাইল কাপশিনখ্রে



রিয়াফ, ওক্টোবর ০৮ : য়েমেনগী মায়কৈদ্গী কাপ্পকখিবা বালিষ্টিক মিসাইল অমা মী তাদবা দিজার্টতা তাখিবগা লোয়নননা অশোক-অপন মীশি-মীনা অমত্তা থোকখিদ্রে হায়না সাউদি অরাবিয়ানা হায়রি। মদু রেবেলশিংনা কিংদম অদুবু টার্গেট তৌরদুনা কাপ্পকখিবা খ্বাইদগী নৌবা মিসাইলনি।

সাউদি মিলিটরিনা হায়রি মদুদি, মিসাইল অদু ইরাই নুমিৎকী অহিংদা সাউথ-ৱেষ্টর্ন সিটি খামিস মুশাইটতা টার্গেট তৌদুনা কাপ্পকখিবনি। মদুগী মতুংদা সাউদি এয়র ফোর্সনা মিসাইল কাপ্পকখিবা য়েমেনগী এরিয়া অদুদা টার্গেট তৌখি। সাউদি লুচিংবা কোলিসন্না শৌগৎপা য়েমেনগী মালেমনা মশক খঙলবা প্রসিদেন্ট অবেদ রাবো মনসৌর হাদিনা হৌথিশিং হায়না খঙনবা লৈবাক অদুগী সিয়াইট রেবেলশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংগা লাল শোক্লদুনা লাকখি। হৌথিশিংগী মীচংশিং অদুদা হান্নগী প্রসিদেন্ট অলি অব্দুলাহ সালেগী লোয়েলিষ্টশিং য়াওরি।

রেবেলশিংদুনা সাউদি অরাবিয়াদা বালিষ্টিক মিসাইলশিং অমসুং মোর্টারশিং তত্তনা কাপশিল্লি। য়েমেনগী কেপিটেল সানা কন্ট্রোল তৌশিনখ্রবা রেবেলশিং অদুনা সোভিয়েট মতমগী স্কদ মিসাইলশিং অমসুং লোকেল্লি দিজাইন তৌবা ভেরিয়ন্টশিং পায়শিন্দুনা লৈ হায়না থাজনৈ।

শাংলবা য়েমেনগী লাল মনুংদা হাউথি রেবেলশিংনা ইহান হানবা ওইনা হৌখিবা জুলাইদা সাউদি অরাবিয়াদা বালিষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখি অমসুং মী চিনবা মিলিটরি কেম্প অমদা শাথিনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। হাউথি ফোর্সশিংনা অহমদ অল-মসারিহাহ মিলিটরি কেম্পতা তোচকা বালিষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখি। মিসাইল অদুনা আরমর্দ ভেহিকল কয়া থুগাইখি অমসুং সাউদি লান্মী কয়া হাৎখি।

# ধাকাগী কেফে এটেক : এটেক্তা চেন্নবনি হায়বা টেররিষ্ট ৪ সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎখ্রে

ধাকা, ওক্টোবর ০৮ :

হৌখিবা জুলাইদা ধাকাদা লৈবা কেফে অমদা এটেক তৌখিবা কাঙবুনি হায়না মরাল শীখ্রবা টেরর গ্রুপ অমগী মেম্বর মরি বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে। কেফে এটেক অদুদা অয়াম্বনা মীরৈবাকচাশিং ওইদুনা মীওই ২২ হাৎখিবনি।

জমাট-উল-মুজাহিদ্দিনগী মেম্বরশিংনি হায়না থাজবা টেররিষ্ট মরিদু বাংলাদেশকী রেপিদ এক্সন বট্টালিয়ন (আর এ বি) না কেপিটেল ধাকাগী চিদাইদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিংদা রেইদ অনী চথুদুনা হাৎখিবনি হায়না আর এ বিগী স্পোক্সমেন মিজানুর রহমন ভুইয়ানা হায়খি।

ধাকাগী দিপ্লোমেটিক ক্বার্টরসদা জুলাই ১ দা চথুখিবা এটেক অদু আই এস আই এস টেরর গ্রুপনা ক্লেম তৌখি। এটেক অদু বাংলাদেশতা চথুখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবশিংগী মনুং চল্লি। হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা বাংলাদেশতা লিবরেল কয়া অমসুং রিলিজিয়স মাইনোরিটিশিংগী মেম্বর কয়া হাৎখি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী দোমেষ্টিক টেরর গ্রুপশিংনা এটেকশিংদু চথুখিবনি হায়না মরাল শীখি তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি এক্সপার্টশিংনদি জুলাইগী এটেক অদুগী স্কেল অমসুং হকচিনবা থৌদৌ অদুনা মদু ট্রান্স-নেসনেল ইস্লামিষ্ট নেটৱার্ককা মরী লৈনরম্বা য়াবগী সজেসন পীখি।

ধাকাগী কেফে এটেক অদুগী মতুংদা পুলিসনা মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই দজন অনী হেন্না হাৎখ্রে। মখোয়গী মনুংদা এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না খন্নখিবা বাংলাদেশতা পোকখিবা কনাদিয়ন সিটিজন অহম্মদ চৌধুরিসু য়াওখি।

বাংলাদেশতা লৈবা ওপরেটিভশিংগা আই এস আই এসকী এলিমেন্টশিংগা মরী লৈনৈ হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থাজৈ হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হৌখিবা ওগষ্টতা ধাকাদা চৎপা খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখি।

মীরৈবাকমচাশিংদা টার্গেট তৌবনা সাউথ এসিয়াগী লায়রবা লৈবাক অদুগী ইকনোমিদা মপান্দগী শেল থাদরকপদা চাউনা অকায়বা পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। দোল্লর বিলিয়ন ২৮ গী ওইবা লৈবাক অদুগী ফিরোল থাদোকপগী ইন্দষ্ট্রিদু মালেমগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ওইরি। জুলাইগী এটেক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা ইটালিয়ন মাপন, জপানিজ তরেৎ, অমেরিকান অমা অমসুং ইন্দিয়ন অমা য়াওখি।

# হেরিকেন মেথিয়ুনা হাইটিদা মী ৯০০ রোম হাৎখ্রে

পোর্ট-ঔ-প্রিন্স, হাইটি/দেটন, ওক্টোবর ০৮ :

শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ হরিকেন মেথিয়ুনা চয়োল অসিগী অঙনবদা হাইটিনা মীওই ৯০০ লোম হাৎলবা মতুং অমসুং মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোকহল্লবা মতুং থাংজ নুমিৎতা য়ু এসকী সাউথ ইষ্টকী মনাক নক্লা ঈশিং মথক্তা অৱাং পাংনা হুমদুনা শিৎখ্রে। শাথিরবা নুংশিৎ অসিগী মরম ওইবা য়ু এসকী ঈশিং মপানদা ঈচাউ কয়া থোকহনখ্রে অমসুং পাক শন্না মৈ পীবা লেপহনখ্রে হায়রি।

হান্না অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা ঈ-পাউ ফাওনবা য়াদবদগী পাউ ফংবা ঙমখিদ্রবা মনুং হঞ্জিনবা এরিয়াশিংদগী পাউ লাকখিবগা লোয়ননা অমেরিকাগী খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাক হাইটিদা শিখিবা মী মশিং ইরাই নুমিৎ ফাওবদা য়ামদ্রবদা ৮৭৭ য়ৌখ্রে হায়না রোইটর্জগী টেলি অমনা হায়রি।

মেথিয়ুনা ফ্লোরিদাগী জোর্জিয়া ফাওদুনা সাউথ কেরোলিনা অমসুং নোর্থ কেরোলিনা য়ৌনা য়ু এসকী কোষ্ট পরিংদা মীশিং পাক্তক্লবা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা মীয়ামদা য়ারিবমখৈ চেকশিন্নবা অমসুং সেফটিগী ইন্সট্রক্সনশিং ঙাক্লা চৎনবা আপিল তৌখ্রে।

‘নোংলৈ-নুংশিৎ কনখৎলকপা য়াবগী ফীভম লৈবগা লোয়ননা মীশি-মীনা অমসুং লন-থুমদা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াই হায়না চহী ৪ গী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা শিৎলকখিবা খ্বাইদগী শাথিরবা সাইক্লোন অদুগী মরমদা ইস্মরজেন্সি মেনেজমেন্টগী ওফিসলশিংগা ফ্রিফিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ওবামানা পাউমীশিংদা হায়খি।

চহী ৪ গী মমাঙদা য়ু এসতা শিৎখিবা সুপরষ্টোর্ম সেন্দি খ্বাইদগী মতীক ময়াই চাউবা নোংলৈ-নুংশিৎনি হায়না লৌনখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাইটিগী নোংচুপ থংবা পেনিন্সুলাদা পুংদা কিলোমিটর ২৩৩ গী নুংশিৎকী খোঙজেল অমসুং অকনবা নোংগা লোয়ননা হরিকেন মেথিয়ু থুংখি। মীওই ৬১,৫০০ সেন্টরশিংদা লৈখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।


অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা কোষ্টেল খুঙ্গংশিংদা ঈশিং ময়াম হুমজিল্লকখিবদগী খুদক্তা ঈচাউ থোকখি অমসুং মীয়াম্না ময়ুম-মকৈ থাদোক্লখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা অমেরিকা পাংনা শিৎখ্রবা মতুংদা মীওই খরদমক কন্টেক্ট তৌবা ঙম্লি।

কুমজা ২০১০ গী অকনবা য়ুহা হাবা অমদগী গৌগৎলকপা ইঙম ঙমদনা লৈরিবা হাইটিদা হরিকেন মেথিয়ুনা গ্লোবেল ৱার্মিং অমসুং সি লেভেলশিং হেনগৎলকপনা অনেম্বা সিটিশিং অমসুং টাউনশিংদা অকিবা পোকহনবগী মরমদা দিবেয কনখৎহল্লকপা য়াই হায়রি।





# টোনি ব্লেয়র বৃটিশ পোলিটিক্সতা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকপা য়ারি



লন্দন, ওক্টোবর ০৮ :

ব্রেক্সিটকী অরুবা ফীভম্না মরম ওইরগা টেরিসা মেগী কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিনা বৃটেনবু থুগাইবা থিংনবগীদমক্তা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর টোনি ব্লেয়র অমুক হন্না হল্লক্তুনা বৃটিশ পোলিটিক্সতা মরু ওইবা থৌদাং লৌরবা য়াই হায়রি।

জেনরেল ইলেক্সন অহুমদা মায় পাকপা ঙমখিবা অমত্তা ঙাইরবা লেবরগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি পৱারদা লৈরিঙৈ অহানবগী চহী ১০ অদুদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি তৌইগুম্বসুং য়ু এসনা লুচিংদুনা ইরাক্তা লান্দাখিবা মতমদা মহাক্না সপ্পোর্ট তৌরুবদগী মহাক্কী মিংচৎতা শাথিবা অকায়বা থোকখি।

ইসক্বেয়র মেগাজিন্না লৌবা ইনটরভিয়ু অমদা ব্লেয়রনা হায়খি, বৃটনশিংনা হৌজিক অরুবা ব্রেক্সিট অমা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা লেপ্পবা কঞ্জার্ভেটিভ পার্টি অমসুং ‘অলত্রা লেফট’ ওইবা লেবর পার্টি অমগী মরক্তা অঙম তানগদৌরিবসি অৱাবগী মশক্নি। ‘মসিদা ঐহাক্কী করি থৌদাং লৈগদগে হায়বসি ঐহাক খঙবা ঙমদে। হৌজিক্কী মিৎকুপ অসিদা লৈরিবা ঐহাক্কী ফীরেপকী মরমদা ঐহাক্না হায়বা ঙম্বগী পনখৈ অমা লৈ হায়না ব্লেয়রনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুনদা বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্দগী তোকপগী ৱাফমদা শৌগৎতুনা ভোট পীখিবদগী মেনা পৱার পায়রকখি অমসুং হান্নগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অসিনা ভোট অদু বৃটেনবু রন তৌবগী মওংদা অহোংবা চাউনা পুরক্লবগী দিমান্দ অমনি হায়না লৌখি।

মেগী থৌওংনা বৃটেননা হৌজিক ব্রেক্সিটকী অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লরি হায়না থাজনবা ইনভেষ্টরশিংবু কিহনখি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদগী বৃটেনদা খ্বাইদগী শাথিবা পোলিটিকল অমসুং শেল-থুমগী চরাংনবা থোকহল্লকখিবা ভোট অদুনা ব্লেয়রগী লেবর পার্টিবুসু নিকহনখি। পার্টি অসিগী লেফটিষ্ট লিদর জেরেবি কোর্বিনবু বৃটেনবু ব্লোক অদুদা মখা তানা লৈনবা অকনবা কেম্পেইন অমা চথুখিদে হায়না মরাল শীখি।

# চহী ১৫ গী মতুংদা টালিবান্না হান্নগী চাংদা অফঘানিষ্টান কন্ট্রোল তৌরি



কাবুল, ওক্টোবর ০৮ : য়ু এসকী আর্মদ ফোর্সেসনা সেপ্টেম্বর ১১ গী এটেকশিং পাঙথোকখিবশিংবু শৌগৎখিবা অল-কাইদাগী কাঙবুশিং তকথোক্লবা কুমজা ২০০১ গী ওক্টোবর ৭ তা অফঘানিষ্টানদা লান দাখিঙৈদগী হৌজিক চহী ১৫ হৌখ্রে।

য়ু এসকী লান্দা অদুগী মতুং তারকপদা অফঘানিষ্টানবু পায়শিনখিবা মতমদা রুলিং টালিবানবু লৈঙাক্কী পৱার পায়রম্বদগী চিংথুখি, অল-কাইদাগী লুচিংবশিং বোর্দর লান্না পাকিষ্টানদা চেনশিনখি অমসুং লৈবাক্তুমক্তা গ্রুপ অদুগী খ্বাইদগী মকোক ওইবা লুচিংবা অদু হাৎখি লোয়ননা নেটোগী প্রোটেক্সন মখাদা কাবুলদা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনখি। তৌইগুম্বসুং মীরৈবাকচাশিংনা অফঘানিষ্টানবু পায়শিনবদা য়ানিংদবা উৎপগী ঈহৌশিং লৈবাক অদুদা নৌনা অমুক হৌরকখি অমসুং লৈবাক্তুদা টালিবান অমুক হন্না লাকখি।

য়ু এসকী ওফিসলশিং য়াওনা এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি নৌনা মপাঙ্গল ফূদোরক্লিবা টালিবান্না হৌজিক কুমজা ২০০১ দা লৈখিবা ফীভমদুদগী হেন্না লম অমসুং মীশিং কন্ট্রোল তৌরি। তোঙান-তোঙানবা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী রিপোর্টশিং অমসুং প্রো-ৱেষ্ট সিক্যুরিটি এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি টালিবান্না কন্ট্রোল তৌই।

সোভিয়েট য়ুনিয়নগী মায়োক্তা চহী ২০ লোম শোক্লরক্লবা মতুংদা মখা তানা চহী ১৫ অমুক লাল শোক্লবসিনা অফঘনিষ্টানদা হায়নিংঙাই লৈতনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। লালগা মরী লৈননা হকথেংননা থোকপা খ্বাইদগী নৌবা মীশি-মীনাগী এষ্টিমেট অমগী মতুং ইন্না, পুন্না মীওই ১১১,০০০ শিখ্রে অমসুং ১১৬,০০০ গী অশোক-অপন নংখ্রে।

মরকসিদা অফঘান লাল অসি বোর্দর লান্না পাকিষ্টানগী ঈৱাং লৈবা ট্রাইবেল লমদমশিংদসু শন্দোকখ্রে। ট্রাইবেল লমদমশিং অদুদা হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা মীওই ৬২,০০০ শিখ্রে অমসুং ৬৭,০০০ না অশোক-অপন নংখ্রে। লমশিং অমসুং মীশিং অদু তৎনবা য়াদনা শম্লে। অয়াম্বনা পাষ্টুনশিং ওইবা মীশিং অদু নাকল অনীমক্তা লৈ অমসুং য়ু এসনা নাকল অনীমক্তা ওনশিন্দুনা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনরি। নাকল অনীমক্কী লালশিংদা য়ু এসনা চাউরাক্লা দোল্লর বিলিয়ন ৮০০ চাদিং তৌখ্রে। অফঘানিষ্টানদা য়ু এসকী ক্রুপ ২,৩৭১ অমসুং প্রাইভেট কন্ট্রেক্টর ৩০০০ হেন্না শিখ্রে।



HL-B/3329/20/09-19/10

# EMPLOYMENT NEWS

### Hindustan Aeronautics Limited – HAL Recruitment 2016 – 2000 Apprentices Vacancies – Last Date 28 October

**HAL Recruitment 2016**

Hindustan Aeronautics Limited invites application for the post of 2000 Apprentices as Visiting Faculty Members in Ex-ITI, Diploma & Graduate Engineering categories for Apprenticeship Training Program. Apply before 28 October 2016.

**Job Details :**

Post Name : Apprentices
No of Vacancy : 2000 Posts
Pay Scale : Rs. 500/- (Per Hour) for Category-I & II & Rs. 200/- (Per Hour)

**Eligibility Criteria for HAL Recruitment :**
Educational Qualification : NAC/Diploma/Graduate in the respective area.
Experience : Minimum 10 years working experience in industry/academics
Nationality : Indian
Age Limit : As per HAL rules

**Job Location : All India**

**How to Apply HAL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with the relevant enclosures send to Technical Training Institute, Hindustan Aeronautics Limited, Vimanapura P O, Bangalore – 560017 on or before 28.10.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 28.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://www.hal-india.com/Common/Uploads/Resumes/447_CareerPDF1_Empaneling%20of%20Faculty.zip

### Indo Tibetian Border Police Force – ITBP Recruitment 2016 – 104 Constable Vacancies – Last Date 31 October

**ITBP Recruitment 2016**

Indo-Tibetian Border Police Force invites applications for the post of 104 Constable, Group ‘C’ Non-Gazetted (Non-Ministerial) for Sport Persion. Apply before 31 October 2016.

**Job Details :**

Post Name : Constable
No of Vacancy : 104 Posts
Pay Scale : Rs. 21700-69100/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligibility Criteria for ITBP Recruitment:**
Educational Qualification : Candidate should have matriculation or 10th From a recognized Board or university or equivalent.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 23 years (as on 31.10.2016)

**Age Relaxation :**
For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC/ Ex-Servicemen : 3 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made through Physical Measurement, Written Examination, Skill Test and Medical Examination.
**How to Apply ITBP Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of relevant documents, one latest passport size photograph & two self addressed envelop size 9?x 4? with Rs. 5/- Postage stamp affix on each envelop send to Deputy Inspector General, BTC, ITB Police Force, Bhanu Camp, PO-Bhanu, Distt- Panchkula (Haryana) PIN-143103 on or before 31.10.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 31.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://itbpolice.nic.in/itbpwebsite/Documents/2016-10-03%20(2).pdf

### Uttarakhand Medical Service Selection Board – UKMSSB Recruitment 2016 – 203 Dental Surgeon Vacancies – Last Date 05 November

**UKMSSB Recruitment 2016**

Uttarakhand Medical Service Selection Board (UKMSSB) invites application for the post of 203 Dental Surgeon. Apply Online before 05 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Dental Surgeon
No of Vacancy : 203 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

**Eligibility Criteria for UKMSSB Recruitment :**
Educational Qualification : BDS or equivalent from a recognized University.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 42 years (as on 01.07.2016)

**Job Location : Uttarakhand**

**Selection Process :** Selection will be made on written Test & Interview

**Application Fee :** General/OBC Candidates have to pay Rs. 2000/- and Rs. 1000/- for SC/ST/PWD/ Ex-Servicemen candidates of Uttarakhand through Demand Draft in favor of Uttarakhand Medical Service Selection, Dehradun

**How to Apply :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested copies of relevant document & Payment slip send to Secretary, Uttarakhand Medical Service Selection Board UKMSSB, Directorate of Health Service Campus, Danda Lakhond Sahastradhara Road, P.O Gujrara, Dehradun – 248013, Uttrakhand on or before 05.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 05.11.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ukmssb.org/wp-content/uploads/2016/09/instruction.pdf
Download Application from : http://ukmssb.org/index.php/ukmssb-recruitment-2016-17-notification-for-dental-surgeon-post/